## পুক্লিং ফাথনবা ক্রেম্লিন্না আপিল তৌখ্রে

মোস্কো, জুন ২১ (এজেন্সি) : ইরানগী মতাংদা গল্ফতা ওইরক্লিবা ফিভমগা মরী লৈননা মায়কৈ খুদিংমক্কা পুক্লিং ফাথনবা ক্রেম্লিনগী স্পোক্সমেন দমিট্রি পেস্কোভনা ইরাই নুমিত্তা আপিল তৌখিবগা লোয়নননা মহাক্কা ৱাশিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিবা অদু মোস্কোনা লুনা লৌই হায়খ্রে।

ইরান্না য়ু এস মিলিটরি দ্রোন অমা কাপথখিবা মতুংদা গল্ফতা টেহরান অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা লান অমা থোক্লকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎলকখিবনি।

## ক্লাইমেট প্রোটেষ্টরশিংনা অপনবা পীখ্রে

লন্দন, জুন ২১ (এজেন্সি) : বৃটিশ ফাইনান্স মিনিষ্টর ফিলিপ হাম্মন্দনা শগোলশেল নুমিত্তা বৃটেনগী ফাইনান্সিএল সর্ভিসেস ইন্দষ্ট্রিগী লুচিংবশিংগা ৱা ঙাঙখিবদা ক্লাইমেট চেঞ্জ প্রোটেষ্টরশিংনা ঙাইহাক অপনবা পীখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

লন্দনগী মমিং লৈরবা মেন্সন হাউস বিল্ডিংদা লাংখিবা বেনক্বিট অমদা মিনিষ্টর হাম্মন্দনা স্পীচ অমা পীরিঙৈদা 'ক্লাইমেট ইমর্জেন্সি' হায়না থাবা রিবন অপাকপশিংনা মশাদা য়োন্নবা নুপী কয়ানা লাউদ পীকরশিং শীজিন্নদুনা খোল্লাও কয়া লাউবগা লোয়নননা অপনবা ঙাইহাক অপনবা পীখিবনি হায়রি।

## করপসনগী মরালদা ফাজিন্নবা খঙহনখ্রে

অলজিয়র্স, জুন ২১ (এজেন্সি) : করপসনগী মরাল কয়াগা মরী লৈননা বিজিনেসমেন হসন লার্বাওৱিবু ফাজিন্দুনা থম্নবা অলজিরিয়াগী কোর্ট অমনা ওর্দর তৌখ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা ষ্টেট রেদিওগী পাউনা ফোঙদোরক্লি।

লার্বাওৱি অসি সাউথ কোরিয়াগী কিয়া মোটোরসকা খুৎশম্নরগা ইষ্টর্ন অলজিরিয়াদা কার এসেমব্লি প্লান্ট অমা চল্লাইরিবা গ্লোবেল গ্রুপ কৌবা প্রাইভেট কম্পেনি অমগী দিরেক্তরনি হায়রি।

## রিজনেল পিছকী অফবনি

সিওল, জুন ২১ (এজেন্সি) : হীরম কয়াদা মালেমগী ওইনা অরুবা তানফম অমদা চাইনা অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মরী চেৎশিনহনবা হায়বসি কোরিয়ন পেনিন্সুলা অমদি অকোয়বা লমদমদা মরা তপ্পা ফিভম লৈহন্নবগী অফবা খোঙথাং অমনি হায়বসিদা নোর্থ কোরিয়ন লিদর কিম জোং-উন অমসুং চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা য়ানরে হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট মিদিয়ানা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

# ইরানদা মতম অমদা হেক্তা লান্দানবা লৌরম্বা ৱারেপ প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হন্দোকখ্রে



ৱাশিংটন, জুন ২১ (এজেন্সি): টেহরান্না অমেরিকান মিলিটরি দ্রোন অমা কাপথখিবগী লমন খুম্বা ওইনা য়ু এসনা ইরানগী মায়োক্তা মতম অমদা হেক্তা মিলিটরি ষ্ট্রাইক চথনবা লৌরম্বা ফিরেপ অমা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অরোইবা মীৎকুপ্তা হন্দোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা অহানবদা রাদর অমসুং মিসাইল বেট্টরিশিংগুম্বা ইরানগী টার্গেট কয়াদা এটেক তৌবগী থৌরাং এপ্রুভ তৌখি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংনা ন্যু য়োর্ক টাইমসতা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা হায়রি। ট্রম্পনা শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা অঙনবা থাক্তা লৈরিবা মিলিটরি ওপরেসনগী থৌরাং অদু কেন্সেল তৌখি হায়না এদমিনিষ্ট্রেসনগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

ওফিসল কয়ানা ফোঙদোকখিবদা, ইরান্না য়ু এস মিলিটরি দ্রোন অমা কাপথখিবগী লমন খুম্নবগীদমক্তা মিলিটরি প্লেন কয়া নোংথক্তা পাইদুনা লৈখি অমসুং লানগী জহাজ কয়াসু ফিভম শেমদুনা লৈখি। তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ইরানদা মতম অমদা হেক্তা লান্দানবগী ৱারেপ হন্দোক্লে হায়না খঙহল্লকখিবদগী মিসাইল অমত্তা কাপখিদে। ইরানদা মিলিটরি ষ্ট্রাইক চথনবা থৌরাং তৌরম্বদগী অরোইবা মীৎকুপ্তা ট্রম্পকী ৱাখল হোংলকখিবগী মরম ওফিসল অমত্তা খঙবা ঙমখিদে। হীরম অসিগী মতাংদা হ্বাইট হাউস অমসুং পেন্টাগোন্না কমেন্ট পীয়ু য়াখিদে হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমসকী রিপোর্ট অদুদা পনখি।

ইরানগী সর্ফেস-টু-এয়র মিসাইল সিষ্টেম অমনা য়ুমশকৈশাগী অহিংদা আর ক্যু-৪এ গ্লোবেল হোক অনমেন এয়রক্রাফট সিষ্টেম (য়ু এ এস) অমা কাপথখি হায়না শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা য়ু এস মিলিটরিনা কনফার্ম তৌখি। অদুমওইনমক ইরান্নদি লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা কাপথখিবা দ্রোন অদু লোনা য়াদবা মওংদা ইরানগী বোর্দর লানশিল্লকখিবা য়ু এস মিলিটরিগী স্পাই দ্রোননি হায়না ক্লেম তৌখিবনি।

ইরান্না য়াম্না ফত্তবা অশোয়বা অমা তৌখ্রে। য়ু এসকী দ্রোন অমা কাপথখিবগী থৌদোক অসি য়ু এসনা তরায়না লৌবা য়ারোইদবা খোঙথাং অমনি হায়না ট্রম্পনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অসিনা য়ু এস অমসুং ইরানগী মরক্তা লেপ্তুনা হেনগৎলকখিবা উংখৎনবগী ফিভম হেন্না লুশিনহনখি। ৱাশিংটন্না ইরান ন্যুক্লিয়র দিলদগী হন্দোক্লুবা ৱারেপ লৌবগা লোয়নননা টেহরানগী মায়োক্তা হান্নদগী হেন্না কনবা অথিংবা কয়া থমজিনবা হৌবদগী নাকল অনীগী উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

# অফ্রিকান স্বাইন ফিভরনা মরম ওইদুনা চাইনাদা লাওসতগী ওক পুশিল্লকপা থিংখ্রে



বৈজিং, জুন ২১ (এজেন্সি): সাউথ এসিয়াগী লৈবাক লাওসতা জুন ২০ দা অহানবা ওইনা অফ্রিকান স্বাইন ফিভরগী লাইচৎ শন্দোরকখিবগী পাউ ফোঙনখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিদগী ওক, লমওক অমদি মরী লৈনবা পোৎথোকশিং হকথেংননা অমসুং নাকোয়ননা পুশিল্লকপা পুম্নমক অথিংবা থল্লে হায়না চাইনানা ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

লাওসতগী লোনা য়াদবা মওংদা পুশিল্লকপা ওকশিং, লমওকশিং অমসুং মখোয়গী পোৎথোকশিং ফ্রন্টিয়র দিফেন্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা ফারবদি মখোয়দু কষ্টমসকী সুপরভিজন মখাদা মাঙহন-তাকহনগনি হায়না চাইনাগী জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ কষ্টমসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লাওসতগী লাকপা পেকেজশিং অমসুং পেসেঞ্জর বেগ্গেজ তোঙান্না খায়দোক্লগা ইন্সপেক্সন তৌবগী থবকসু হেনগৎলগনি। করিগুম্বা ওকশিং, লমওকশিং অমসুং মখোয়গী পোৎথোকশিং লাওসতগী জহাজ, এয়রক্রাফ্ট, কংফাল লম্বীগী গাড়িশিং অমদি রেলৱে ট্রেনশিংগী খুথাংদা চাইনাদা পুশিলম্বা থেংনরবদি মখোয়দু সিল তৌরগা মাঙহন্নবগী খোঙথাং খুদক্তা লৌখৎকনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি। লাওসকী ওফিসলশিংনসু মীওইবদদি থোইদোক্লা মীশি-মীনা থোকহনবা নত্তবা ওক্কী ওইনদি শিগনবা লায়না অমা ওইরিবা শাথিরবা অফ্রিকান স্বাইন ফিভর অসি লৈবাক অসিগী খা থাংবা সারাভান প্রোভিন্সতা শন্দোরক্লে হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

# ইন্দিয়ানা এন এস জিগী মেম্বর ওইবগী ৱাফম প্লিনরি এজেন্দাদা য়াওদে : চাইনা



বৈজিং, জুন ২১: ইন্দিয়ানা ন্যুক্লিয়র সপ্লায়র্স গ্রুপ (এন এস জি)দা চঙনবা হোৎনবা খুদিংমক হঞ্জিন-হঞ্জিন থিংদুনা লাকখিবা চাইনানা ব্লোক অসিগী কঝাখস্তানগী কেপিটেল অষ্টানাদা পাঙথোক্লিবা প্লিনরি সেসনদা খন্নগদবা এজেন্দাদা ন্যু দিল্লিবু গ্রুপ অসিগী মেম্বর ওইহনবগী ৱাফম য়াওদে হায়না ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা গ্রুপিং অসিদা চঙবা মতম কয়াম কুইরগা য়াথোক্কদগে হায়বসিসু হৌজিক্কী ওইনদি হায়বা ঙমদে হায়নসু বৈজিংনা ফোঙদোকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা শেংদোক্লদুনা ইন্দিয়ানা এন এস জিদা চঙনবা হোৎনবদা বৈজিংনা থিংবা নত্তে হায়না পল্লদুনা গ্লোবেল ন্যুক্লিয়র ট্রেদ রেগ্যুলেট তৌরিবা মেম্বর ৪৮ গী গ্রুপিং অসিগী রুলশিং অমদি প্রসিজরশিং চাইনানা ঙাকচবদনি হায়খি। অষ্টানাদা পাঙথোক্লিবা প্লিনরি সেসন অসিদা নন-প্রোলিফরেসন ট্রিটি (এন পি টি) দা খুৎয়েক পীদবা পার্টিশিংনা শরুক য়াবগী ৱাফম অমদি হীরম অসিগা মরী লৈনবা পোলিটিকেল অমসুং লিগেল ইশ্যুশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈগনি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন লু কাংনা কঝষ্টানগী কেপিটেল অষ্টানাদা পাঙথোক্লিবা নুমিৎ নিনিগী মীফম অদুগী মতাংদা বৈজিংদা ফোঙদোকখি।

ইশ্যু অসিগী মতাংদা বৈজিংগী ফিরেপ্তা অহোংবা লাকপগী ফিভম লৈৱ্রা হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা লুনা হায়খি মদুদি, তাংদাংবা থৌরাং অমা খন্নদ্রিঙৈগী মমাংদা এন এস জিনা এন পি টিদা য়াওদবা লৈবাক খরনা গ্রুপিং অসিদা য়াওরকপগী ৱাফমগী মতাংদা খন্নরোই। মরম অদুনা ইন্দিয়ানা ব্লোক অসিদা চঙলকপগী ৱাফম অসি খন্নরোই। এন এস জিগী চৎন-পথাপ কয়া লৈজৈ অমসুং মেম্বরশিংনা অদুগুম্বা চৎন-পথাপশিংগী মতুং ইন্না ৱারেপ লৌই হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়নননা এন পি টিদা খুৎয়েক পীদবা ইন্দিয়ানা ব্লোক অসিদা চঙলকপদা চাইনানা অতম্ননা থিংবা লৈতে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

## য়ু এস এনভোইনা সাউদি মিনিষ্টর উনখ্রে

রিয়াদ, জুন ২১ (এজেন্সি) : ইরানগী থৌরম পুবা য়ু এস স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিভ ব্রিয়ন হুক্লা ইরাই নুমিত্তা রিয়াদতা সাউদি অরাবিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর প্রিন্স খালিদ সলমানগা উনখ্রে হায়না মিনিষ্টর অসিগী ত্বিট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মখোয়না লমদম অদুদা হন্দক্তা ওইল টেঙ্করশিংদা চথুখিবা এটেকশিংগী মতাংদা খন্নখি। এটেকশিং অদুগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা ইরানবু মরাল শীখিবদা ইরান্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

টেহরানদা প্রেসর পীনবা য়ু এসনা চথুরিবা কেম্পেন সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎলি হায়বা ৱাফম প্রিন্স খালিদকী মায়কৈদগী ৱারী শান্নবদুদা নৌহৌনা থমখি। ইরান্না শগোলশেল নুমিত্তা য়ু এসকী গ্লোবেল হোক দ্রোন অমা ইরানিয়ন এয়র স্পেসতা হেনজিল্লকপগীদমক কাপথখিবদগী উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

## মৈখেৎকী ফেক্টরি মৈ চাকপদা মীওই ৩০ শিরে

জর্কারটা, জুন ২১ (এজেন্সি) : ইন্দোনেসিয়াগী নোর্থ সুমাট্রা প্রোভিন্সতা লৈবা মৈখেৎ মচৈ শাবা ফেক্টরি মচা অমা ইরাই নুমিত্তা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শিরে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মী তাবা মফমদা লৈবা ফেক্টরি মচা অদু নুমিৎ য়ুংবা মতম অদুৱাইদা মৈ চাক্লকখিবদা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই ২৭ শিখ্রে হায়না প্রোভিন্সিএল দিজাষ্টর মিটিগেসন এজেন্সিকী মকোক ওইরিবা রিয়াদিল অখির লুবিসনা ফোঙদোকখি।

শাথিরবা মৈহৌ লাংপোক অদু করম্না থোক্লকখিবগে হায়বগী মতাংদা পুলিসনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অঙাং অহুমদু থাঙ্গৈশেংনা মফম অদুদা থবক তৌবা শিন্মীশিং নত্তে। মনাক্তা লৈবা মখোয়গী অহল-লমনশিংনা মখোয়বু মফম অদুদা থবক শুহন্নবা পুরকখিবনি হায়রি।

# অসিফ অলি ঝার্দারি মখা তানা এন এ বিগী কষ্টদিদা লৈখিগনি

ইস্লান্বাদ, জুন ২১ (এজেন্সি): তোঙান-তোঙানবা কেসশিংগা মরী লৈননা চহী ১১ রোম জেলদা লৈরকখ্রবা পাকিস্থানগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিফ অলি ঝার্দারি ফেক একাউন্টস কেস অমদা নুমিৎ ১১ শাংথনা মখা তানা ফিজিকেল রিমান্দ তৌনবগী অয়াবা ইস্লান্বাদকী একাউন্টেবিলিটি কোর্ট অমনা ইরাই নুমিত্তা নেসনল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরো (এন এ বি) দা পীখ্রে।

কেস অদুদা মহাক্না থারকখিবা প্রি-এরেষ্ট বেল ইস্লান্বাদ হায় কোর্টনা ককখ্রবা মতুং হৌখিবা জুন ১০ দা পুলিস পর্সনেলশিং য়াওবা এন এ বিগী মীওই ১৫ গী টিম অমনা পাকিস্থানগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ঝার্দারি অসি ইস্লান্বাদতা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদগী ফাখিবনি। ঝার্দারিগী রিমান্দগী মতম জুলাই ২ ফাওবা শাংদোক্লবা ৱারেপ তাখ্রবা মতুংদা এন এ বিগী টিম অমা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিগা লোয়নননা কোর্ট থাদোকখি।

হৌখিবা জুন ১০ দা মহাকপু ফাগদবা নোংমা মাঙওইননা একাউন্টেবিলিটি কোর্টকী জজ মোহম্মদ অর্সাদ মালিক্লা এন এ বিদা হান্নগী পাকিস্থানগী লুচিংবা অসিবু ফিজিকেল রিমান্দ তৌবগী অয়াবা পীবগা লোয়নননা ঝার্দারিবু জুন ২১ দা অমুক হন্না কোর্টতা পুথোররক্লবা ওর্দর তৌখিবনি। ইরাই নুমিত্তা এন এ বিগী টিম্না ঝার্দারিবু জজ মালিক্কী মমাংদা পুথোকখি। কোর্ট প্রোসিদিংস মনুংদা এন এ বিনা মহাক্কী ফিজিকেল রিমান্দগী মতম নুমিৎ ১৪ নি শাংদোক্লবা হায়জখি।

এন এ বিগী ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট অমা কোর্টতা লানখৎপগা লোয়নননা ব্যুরো অসিগী দেপ্যুটি প্রোসিকুটর জেনরেল সর্দার মুঝাফর খান অব্বাসিনা ঝার্দারিগী মেদিকেল চেক-অপকী রিপোর্ট অমসু সবমিট তৌখি।

হাৎখ্রবা পাকিস্থানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর বেনাজির ভুটোগী মপুরোইবা ঝার্দারি অমসুং মহাক্কা লোয়নবা মীওই কয়া অহুমশুবা পার্টিশিংগী মীংদা লৈবা বেঙ্ক একাউন্ট ২৯ গী খুথাংদা পাকিস্থানগী লুপা বিলিয়ন ৪.৩ লোন্দরিং তৌখিবগী মরাল শিরিবনি।


APOLLO TUTORIAL CENTRE

Moulding Medical and Engineering Career

Admission Open For

2nd Foundation Course
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
English Tution- Sunday & Holiday ( Morning)
Class Commence : 15th July 2019

Apollo - NEET (UG)
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Intake capacity : Only 25 students per class
Special feature :
Extensive and intensive teaching - learning system
Class Commence : 1st Week of July 2019.

Physics Faculty: Madam Tamphasana, Former Lect.: HRD Academy, St. Joseph's School, Maria Montessori Sr. Sec. School

Chemistry Faculties: 1. Miss Nuja, Lect. COMET Sch. 2. Miss Saroja, Lect. MEM Hr. Sec. Sch.

Biology Faculties: 1. Miss Lunfasana, Former Lect. HRDA 2. Sir Romharsha, Lect., KP College

Maths Faculties: 1. Sir. L. Basanta, Former Lect.: HRDA 2. Sir Ingobi, Lect. ADVANCE Sch.

English Faculty: Sir. Susil Singh, Former Lect. : Little Master Sch. KP College & DAV

Facilities : Free Text Books Sets, Study Materials, Weekly Unit Test . Van Services Hostel (Boys & Girls)    Office timing: 7 am - 7 pm

Pliz contact : Apollo Office, Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal-795001

HL-B/5460/11-30june/1-10july



CAS Medical

An Institute Collaborated with ENRICHMENT (Disha), New Delhi

CASIANS selected at the NEET(MEDICAL) Exam 2019

10th Rank Somnath Kh. S/o Kh. Rajeshwor Singh
13th Rank Sushma Ksh. D/o Ksh. Achouba Singh
21st Rank Sneha L. D/o L. Prahalda Singh
23rd Rank Tarakishwor M. S/o M.Dhanakanta Singh
25th Rank L. Yohenba S/o L. Dhaneshwar
31st Rank Neema N. D/o Chandra Naorem
38th Rank Nevio H. S/o Ningthem Haobam
42nd Rank Salimah Anawar D/o Md. Anuwar Shah
46th Rank Narosha Ch. D/o Ch. Saratchand
54th Rank Supriya R.K.. D/o R.K.Sanahal Singh
59th Rank Chandan L. D/o L. Biramani
68th Rank Sh. Nashiruddin S/o Sh. Nashimuddin

Well Qualified and Experienced Faculty Under the Guidence of
Sir Kh. Dhiren(Gold Medalist) Physics

ADMISSION OPEN

Class commencing from 27th June, 2019

For Details Contact: CAS Office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/5411/21,22



GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF AYUSH, LAMPHELPAT

NOTIFICATION

Imphal, the 20th June, 2019

No. AYUSH/COUNSELING-NOMI/2019: Applications are hereby invited from the intending and eligible qualified Candidates from the National Eligibility Entrance Test (NEET - UG). 2019 for selection of Candidates for nomination to the different AYUSH Courses (BAMS & BHMS) on merit basis as Government Nominee on 200 points roaster basis for the Academic Session 2019-20. Counseling form can be obtained from the Directorate of AYUSH, Lamphelpat during Office hour on payment of Rs. 500 (Gen & OBC) and Rs. 300 (SC/ST) by cash. The schedules for conduct of the Counseling are as below:

| | |
|---|---|
| Issue /Sale of Counseling Forms | 22/06/2019 to 26/06/2019 |
| Submission of the Counseling Forms | 25/06/2019 to 29/06/2019 |
| Issue of Admit Cards | 01/07/2019 to 04/07/2019 |
| Date of Counseling | 05/07/2019 |
| Issue of the Nomination Papers | 07/07/2019 to 10/07/2019 |

2. The number of the Candidate(s) to be nominated are subject to the availability of the seats.

3. Those candidates who have not applied for the first counseling will not be considered for the next counseling

4. This issues with the approval of competent authority

Sd/- Dr. L. Promila Devi
Director (AYUSH)
Government of Manipur

HL-B/5500/21,22,23



OILS COACHING CENTRE
SANGAIPROU MAMANG LEIKAI, IMPHAL
Knowledge conquers all
Temporary office: Khuyathong SB building, near LIC office

Admission open
(5 Months Foundation Course 2019)

Facilities Provided:-
1. Smart Class.
2. Unique Teaching Pedagogy.
3. Study Materials.
4. Regular Doubt Clearing Sessions.
5. Weekly & Monthly Test Series.
6. Guest Faculties from Reputed Institute /University.
7. Biometric Attendance.
8. Classes Under CCTV Surveillance.
9. 5% discount for textbook

Class XI & XII Science
40 Seats only

Scholarship Entrance test:
> First 3 toppers :100% (Fee Waiver)
> Top 4th – 10th : 75% ( Fee Waiver)
> Top 11th – 20th : 50% ( Fee Waiver)
Last date of regd. : 20th June, 2019.
Date of Exam. : 23rd June, 2019.

Last date of Admission : 2nd July, 2019
Class starting : 4th July, 2019

Subjects offered:-
Phys, Chem, Bio & Maths

Special Offer:
i. 15% off for BPL/AAY card holders.
ii. Rs 2000/- off for Govt. School's Students.
iii. 100% fee concession on 80% and above in class X Board Exam.
iv. Free Revision Course (2 months).

For further details please contact: 7005187403  8414874458, 9774114538
OILS Coaching Centre  oilscc2019@gmail.com

HL-P/4274/7/30june/1-7july



CSC City Study Circle
Sangaiprou Mayai Leikai, Airport Road, Opp: Life Style Fitness Gym

CONGRATULATIONS SUCCESSFUL CANDIDATES IN HSLC EXAMINATION-2019

ROLL OF HONOUR

13th POSITION
NONGMAITHEM ZENO
S/o. N. Ranjit Singh & N. Tilotama of Nachou Mamang Leikai
Mark : 554 P.C. : 92.2%
SUB. TOPPER : COMP. SC. (100)

I am indeed grateful to find a coaching centre like CSC. In fact, it may be rightly said that it is the abode of all the well-experienced and brilliant teachers. The teaching style, mock test series and many other educational activities helped me boost my knowledge even more stronger. I believe CSC will do the best for the growing up students.
N. Zeno

Best Wishes: Managing Board Members, Teaching & Non-Teaching Staffs

FORM AVAILABLE

Limited Seats First Comed First Serve

Attached Hostel Facilities

20th FOUNDATION COURSE
STARTS : 27th JUNE, 2019

11th REVISION COURSE, STARTS : 5th DEC. 2019

Office Hour : 10 am. to 5 pm.
For Details Contact : 8729914669 / 6909614910
Motto : Learn more fulfil your dreams

Manipuri Classes for IX & XI (Gram. & Writing Skills), X & XII Foundation and Revision Course, BOSEM, COHSEM, CBSE. Timing : Sundays and Holidays ( Morning and Evening)

(HL-B/5425/31/5-29/6(alt